### এম জে অকবরগা মরী লৈনবা কেস হয়েং হিয়ারিং চথুরগনি

# সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকী মরাল শিরকখ্রবা এন এস য়ু আইগী প্রসিদেন্ট ফম থাদোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী): কোংগ্রেসকী ষ্টুদেন্টস ৱিং ওইরিবা নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) গী প্রসিদেন্ট ফাইরোজ খানগী মথক্তা সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকী মরাল শিরকখ্রবা মতুংদা লুচিংবা অসি ফম থাদোকখ্রে।

সোসল মীদিয়াদা মী টুগী ঈহৌ অমা লাকপগা লোয়ননা মীওই কয়াগী মথক্তা সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকী মরাল শিরকপা লৈখ্রবনি। এন এস য়ু আইগী প্রসিদেন্ট ফাইরোজ খানগী মথক্তসু চপ মান্নবা মওংদা মরাল শিরকখি। মহাক্না ফম থাদোকপগী ৱাফম পার্টিনা অয়াবা পীরে হায়না সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী হৌরকখিবা ফাইরোজ খান নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফম থাদোকখিবনি। নুপী অমনা মহাক্কী মথক্তা সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকা মরী লৈনবা মরাল শিরকখি। ৱাফম অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা কোংগ্রেসনা মেম্বর অহুম লৈবা কম্মিটি অমা শেমদুনা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্নবা হোৎনখি।

কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন প্রিয়াঙ্কা চটুর্বেদিনা হায়খি, ফাইরোজ খানগী মথক্তা মরাল হেক শিরকখিবগা মেম্বর অহুম্না শাবা কম্মিটি অমা শেমদুনা ৱাকৎ অসিগী মতাংদা থিজিনখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এম জে অকবর অমসুং জর্নেলিষ্ট প্রিয়া রমনিগা মরী লৈনবা কেস ওক্টোবর ১৮ দা দিল্লিগী পটিয়ালা হাউস কোর্টনা হিয়ারিং চথুরগনি।

সোসল মীদিয়াদা চথুরক্লিবা মী টুগী ঈহৌদা নুপী পাউমী ১২ না এক্সটর্নেল এফেয়রসকী ষ্টেট মিনিষ্টর এম জে অকবরগী মথক্তা সেক্স্যুয়েল হেরাসমেন্টকী মরাল শিরকখিবনি। চহী ১৫ রোমগী মমাঙদা পাউমীগী শিনফমদা লৈরিঙৈদা এম জে অকবরনা নুপী পাউমীশিংদা কা হেনবা থৌওং চথুখি হায়না মরাল শিরকখি। এম জে অকবরনদি শিরক্লিবা মরালশিং য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা প্রিয়া রমনিগী মথক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসন ফাইল তৌখি। প্রিয়া রমনিনসু দিফেমেসন কেস অদু চপ চানা মায়োক্ননবা শেম-শারে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, এম জে অকবরনা ভিক্টিম ওইহৌরবী নুপী পাউমীশিংগী মচিন মেন্নবা কিহনবগী থৌওং চথুরকপদা মায় পাকপা ঙম্লোই। নুপী পাউমী কয়ানা মতম অমুক্তদা পুন্না মরাল শিরকপগী থৌওং অসি য়ুম্ফম য়াওদে হায়বা য়ারোই। মিনিষ্টরনা মীচম মীয়ামদা কিহনবগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি।

# বি জে পি লুচিংবা জসৱন্ত সিংহগী মচানুপা মনবেন্দ্র কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে



জয়পুর, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী): রাজস্থানগী এসেমব্লী ইলেক্সন মমাঙদা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর জসৱন্ত সিংহগী মচানুপা মনবেন্দ্র সিংহ কোংগ্রেসতা য়াওনবা ফিরেপ লৌখ্রে।

মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা স্বাভিমান রেল্লিদা এম এল এ মনবেন্দ্র সিংহনা বি জে পিদগী তোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেসতা য়াওনবগী ফিরেপ লৌখিবনি। রাজস্থান প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সচিন পাইলোটনা পি টি আইদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ন্যু দিল্লিদা হয়েং মনবেন্দ্র সিংহনা হৌনবী মতুংইন্না কোংগ্রেসতা য়াওরগনি। মহাক্কী লোয়নবী চিত্রা সিংহসু কোংগ্রেসতা য়াওরবা য়াই হায়না থাজনরি।

হিরম অসিগী মতাংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না হায়খি, মদুদি মনবেন্দ্র সিংহনা কোংগ্রেসতা য়াওখিবা তারবসু পার্টিদা থোইদোক্না অকায়বা থোকপগী ৱাফম লৈরোই। রাজপুটশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী বি জে পি শৌগৎতুনা লাকখিবা মরম্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রাজস্থান এসেমব্লীগী মীখলদসু পার্টি অসিদা শোয়দনা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস মিনিষ্টর রাজেন্দ্র রাথোরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, রাজস্থান এসেমব্লীগী মীখল দিসেম্বর ৭ তা পাঙথোক্নবা মতম লেপ্পা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লীগী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা মনবেন্দ্র সিংহনা সীও এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মায় পাকখি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মহাক্কী অপোকপা জসৱন্ত সিংহদা পার্টিনা টিকেট পীখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোংথোকখিবা জসৱন্ত সিংহ বি জে পিগী মীরেপ সোনারামগী মখুৎতা মায়থিবা ফংখি।

কোংগ্রেসতগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওরকখিবা সোনারামবু চীফ মিনিষ্টর বসুন্ধরা রাজেনা মপুং ফানা শৌগৎখিবনি। জসৱন্ত সিংহবু কুমজা ২০১৪ গী লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী টিকেট পীখিদবগী মতাংদা রাজপুট ফুরুপকী মীওইশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মীতোপ অমদা পার্টিগী টিকেট পীখিবগী থৌওং অদু বি জে পিনা রাজপুট ফুরুপ অদুবু মীরায়বীবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# দিল্লিগী পেট্রোল পম্প ৪০০ রোম ওক্টোবর ২২দা থোঙ লোনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী): দিল্লি গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমদি দিজলদগী লৌবা ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভেট) হন্থৌ হায়বা য়াদবগী মায়োক্তা দিল্লি পেট্রোল দিল্লরস এসোসিএসন (দি পি দি এ) না ওক্টোবর ২২ দা পেট্রোল পম্প ৪০০ থোঙ লোন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা এসোসিএসন্না থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, দিল্লিদা হৌজিক হৌজিক সী এন জি পম্পশিংগসু মরী লৈনবা পেট্রোল পম্প ৪০০ লোম লৈ। লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ওক্টোবর ২২ গী অয়ুক পুং ৬ তগী হৌরগা থংনবা নুমীৎকী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা থোঙ লোন্নবা ফিরেপ লৌরে। ওক্টোবর ৪ দা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লৌবা এক্সাইজ দ্যুটি লুপা ২.৫০ হন্থখিবগা লোয়ননা ষ্টেটনা চলাইবা ওইল ফার্মশিংদা সবসিদি পুথোক্নবা খঙহনখি। থৌরাং অসিগী মতুং তারকপদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়ানা ভেট নৎত্রগা লোকেল সেলস টেক্স হন্থহনখি। অদুবু দিল্লিগী ওইনদি পেট্রোল অমদি দিজলদগী লৌবা ভেট হন্থনবা ফিরেপ লৌরকপা লৈত্রি।

দিল্লিগা থংননা লৈরিবা হরিয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশতা ভেট হন্থখ্রে হায়না পল্লদুনা এসোসিএসন্না হায়খি, দিল্লি লৈঙাক্না পেট্রোল অমদি দিজলগী ভেট হন্থদবা মরম্না নোংম-নোংমগী মমল হেনগৎলকপগী ফীভমদা লাক্লে। দিল্লিগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা উত্তর প্রদেশ অমসুং হরিয়ানাদা পেট্রোল অমসুং দিজল লিটর অমগী মমল মথংশিংনা লুপা ২.৫৯ অমসুং লুপা ১.৯৫ হন্থনা য়োল্লি।

দিল্লিদা মমল কা হেন্না ৱাংবা মরম্না কষ্টমরশিংনা পেট্রোল পম্পতা থাউ হানবগী চাং হন্থরক্লে। য়ুম্লোন্নবা ষ্টেটতগী ওইনা থাউ হানবগী ফীভমদা লাক্লে হায়না এসোসিএসন্না ফোঙদোকখি।

# সাইক্লোন টিটলিনা উদিশাদা শিহনখিবা মী মশীং ২৬ য়ৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী): উদিশা লৈঙাক্না ত্রোপিকেল সাইক্লোন টিৎলি অমসুং মতুং তারকপা ঈচাওদা লৈখিদবা মী মশীং ঙসি ২৬ য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সাইক্লোন অমসুং ঈচাওনা ষ্টেট শিনথুংনা শোকহল্লিবা মী মশিংসু লাক্ষ ৫৭ য়ৌবদগী পাক শন্না অমাঙ অতা থোক্লিবদু য়েংদুনা চীফ মিনিষ্টর নবীন পটনাইকনা মশাগী বার্থদে সেলিব্রেসন ফাওবা য়াওখিদ্রে হায়রি।

লৈঙাক্না অচুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তে হায়না ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মরাল শীরকখিবদা স্পেসল রিলিফ কম্মিস্নর বিষ্ণুপাদা মেথিনা হায়, দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা গজাপতিদা লেন্দস্লাইদনা মরম ওইদুনা মীওই ১৮ শিখ্রে, অহুম্না ঈচাওদা অমসুং উ তেকথরকপদগী শিখ্রে। অঙ্গুল, কত্তক, কনজমল, কিওঝার অমসুং নয়োগর দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীওই অমমম শিখ্রে।

কত্তক্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা স্পেসল রিলিফ কম্মিস্নরনা হায়, সাইক্লোন টিটলি অমসুং মতুং তারকপা ঈশিং ঈচাওনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী ব্লোক ১৪৪ রোমদা মীওই লাখ ৫৭ শোকহনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা সাইক্লোন অমসুং ঈচাওদা মীওই ২৬ শিরে হায়বসি ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌরে।

চৈরকসিদা, ঙসি মশাগী চহী ৭৩ শুখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অদুদা সাইক্লোন অমসুং ঈশিং ঈচাওনা পাক্তক্লনা মীশি মীনা অমদি অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লিবদু য়েংদুনা মশাগী মপোক নুমিৎকী থৌরমশিংদা ফাওবা হৈনিংনা শরুক য়াখিদ্রে। শুপ্প গী সিনিয়র লিদরশিং, মিনিষ্টরশিং, ৱার্করশিং লোয়ননা মীয়াম্না ময়ুমদা লাক্লগা বার্থদে ৱিস পীনবা নত্তনা অতৈ থৌরমশিং অমত্তা পাঙথোকখিদ্রে হায়রি। নবীন্না ঙরাং মহাক্কী পার্টি কোলিগশিং অমসুং মীয়ামদা বার্থদেগা মরী লৈননা নবীন নিৱাসতা থোমজিল্লক্তনবা হায়জখি।

ষ্টেট লৈঙাক্না মীশি মীনাগী মশীং অপগ্রেদ তৌখ্রবসু ওপোজিসন্নদি সাইক্লোন অমসুং ঈচাওদা শিখিবা মী মশীং ওফিসল ওইবদা ৫০ হেল্লি হায়না ক্লেম তৌখি। য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ গজাপতি খক্তদা লেন্দস্লাইদনা মরম ওইদুনা শিখি অদুগা অতৈ মীওই কয়া ঈচাও মনুংদা গজাপতি অমসুং গঞ্জমদা হৌজিকসু থিবা খঙদ্রি। দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গংশিং লম্বী থোংগী অমাং অতা থোকপদগী মখা তানা অতৈ মফমশিংগা ফাওনবা য়াদনা লৈরি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা ফঙলিবা মীশি মীনাগী অতৈ পাউশিং দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা মেজিষ্ট্রেটশিং অমসুং পুলিসনাইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়না এম আর সীনা ফোঙদোকখি।

বান্সাধারা, রুসিকুলয়া অমসুং জয়ানদিগুম্বা অতৈ তুরেল কয়া ঈশিং ঈমাই পাথোক্তুনা লম হেক্তর লাক্ষ ১.৪৬ হেনবগী মহৈ-মরোংশিং মাঙ তাকহনখ্রে। হন্দক্কী ঈচাও অসিদা গঞ্জমগী অস্কা অমসুং পুরুসোতমপুরদা লৈবা মহৈ-মরোং থাবা লমশিংনা খ্বায়দগী হেন্না শোকখি। সাইক্লোন অমদি ঈচাওনা শোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কয়া য়াম্না অমাং অতা থোক্লবগে হায়বদু হৌজিক কন্না য়েংশিল্ল হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# এটেক চথনবা টেররিষ্টশিংনা অনৌবা লাল্লোংশিং পুথোরক্লে :রাজনাথ



নোদল এজেন্সি ওইরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা শীজিন্ননিংবা মতমদা শীজিন্নবা য়াগনি। কা-কাদা চঙদুনা চথবা ওপরেসনশিংদা কম্মান্দোশিং য়াম্না মতেং ওইগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

গুরুগ্রাম, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী): টেররিষ্টশিংনা এটেক তৌনবা অনৌবা ষ্ট্রেটেজি কয়া পুথোরক্লে হায়না হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে অমসুং এন্টি নেস্নেল ফোর্সশিংনা সোসল মীদিয়া শীজিন্নবা হেনগৎলক্লি বসি অনৌবা কিহল্লকপা অমনি হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে।

গুরুগ্রামদা পাঙথোকপা নেস্নেল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা কিহল্লকপা খুদিংমক লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থেংনবা ঙম্মী হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা চাওথোক্না হায়খি।

কুমজা ২০০৮ দা মুম্বাইদা চথখিবা টেরর এটেক মতুংদা ইন্দিয়াদা টেররগী অচৌবা থৌদোক অমত্তা থোক্ত্রি হায়না পল্লদুনা রাজনাথনা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু লৈবাক পুম্বগী মীয়ামগী চাওথোকচবগী ৱাখল চেলহনবগীদমক্তা থাগৎখি।

নেস্নেল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) বু ৱর্ল্ড ক্লাস ফোর্স অমনি হায়না শিংথাবগা লোয়ননা মহাক্না হায়, অহানবা ওইনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা এন এস জি কম্মান্দোশিংগী য়ুনিট অমা দিপ্লোয় তৌখি।

মহৌশানা এন এস জি ক্রুপরশিংবু অতৈদগী হেল্লি হায়না ফোঙদোক্কে অদুবু মহাক্কী ওইনদি ব্লেক কেটশিংনা খ্বায়দগী ফবনি হায়বশিংদুদগীসু ফবা হেল্লি হায়না থাজৈ হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এন এস জিগী দিরেক্তর জেনরেল সুদীপ লাখতাকিয়ানা হায়, কম্মান্দো টিমশিং অদু এন্টি মিলিটেন্সি ওপরেসন্সকী চাং কাশ্মির তম্পাক্তা হেনগৎলকপদগী এন এস জি, ব্লেক কেটশিং দিপ্লোই তৌবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না দি জি লখতাকিয়ানা ফোঙদোকখি।

মী কুংনা তাবা কাশ্মিরগী লোকেলিতিশিংদা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা হাউস ইন্টরভেন্সন ওপরেসনশিং চথবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়কৈদা ক্রুপর কয়া পুন্সি লোমহল্লিবা থৌদোকশিং থোকপগী

মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্নবদা থৱাই থাবা মথৌনা ফবা লাম্মী অমগী খ্বায়দগী পীক্লবা কম্পেন্সেসনসু লুপা ক্রোর অমদা হেনগৎলে। মসিগী কম্পেন্সেসন অসি হেনগৎলকপদি য়াই অদুবু হন্থহনবদি তৌরোই হায়নসু থৌরম অদুদা হোম মিনিষ্টরনা লাউথোকখি। লৈখিদ্রবা লাম্মী ১৪ গী ইমুংগী মীওইশিংসু মিনিষ্টরনা ফঙ্কসন অদুদা ইকাইখুম্নখি।

## বি জে পিদা য়াওরগনি

আইজোল, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী): মিজোরামগী মিনিষ্টর ওইরম্বা বুদ্ধ ধান চকমানা ঙসি কোংগ্রেসতগী তোকখিবগা লোয়ননা বি জে পিদা য়াওনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

ষ্টেট এসেমব্লীদগী ফম থাদোক্লবা মতুংদা চকমানা মিজোরাম প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রাইমারি মেম্বরশিপ্পুগী তোকচরগে হায়না পার্টিগী লুচিংবশিংদা অইবা চেরোল পীশিনখি। মিজোরাম লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর হিফৈনা চকমাবু হাউসকী মেম্বর ওইবদগী তোকপদা অয়াবা পীরে হায়না এসেমব্লীগী সেক্রেটরি এস আর জোখুমানা ফোঙদোকখি। নবেম্বর ২৮ দা ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্কদৌরি।


TODAY
ঠাসোঙ ক্লৌ সঙ
HOUSIE BUMPER DRAW
TODAY

TICKET RATE Rs. 1500/-

In aid of Annual Fund Drive
Org. by: Brotherhood Martial Art Academy
Regd. No. 2441 of 1992

MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 250/-
PRIZE
1 Lakh

10TH HOUSEFULL ACTIVA -5G

All Line, Quick 5 & Star are Rs. 3000/-

Venue : Kakwa Community Hall

Date & Time
17th October, 2018
(Wednesday) at
5.30 P.M.

HL-P/5529/17



ADVANCED COACHING INSTITUTE
The Largest, Trusted & Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road, opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
SPECIAL MEDICAL AND ENGINEERING COURSE (25 students per batches)

TOPERS OF COHSEM Sc. 2018
3rd Position Y. Devajit
9th Position P. Badal
9th Position Konica N.
10th Position A. Korounganba
10th Position L. Imoba
15th Position H. Arbin
17th Position Sh. Bikish

COHSEM ARTS 2018
2nd Position T. Sunaina
3rd Position Y. Gunchenba
4th Position T. James
6th Position M. Loyangamba
7th Position Obed kharam
8th Position T. Oresh

TOPERS OF BOSEM 2018
Rajeshori Limbu 11th Position (2018)
Md. Hanif (BOSEM) 24th Position (2018)
Asma M. (BOSEM) 17th Position (2018)

A few remaining seats (First come first serve)
Contact no : 9862992105

Admission OPEN - Advanced Revision (2018-19) & foundation course for x and xii for session (2019-2020)
Last foundation cum Revision course for class x and xii from 1st and 4th Oct 2018 respectively
Revision course for class x amd xii from 8th and 11th Oct, respectively
Revision course for xii Arts from 15th Oct.2018
Advanced Foundation Course for vii to Xii (2019 batches) from first week Dec'18
Separate boys and girls hostels (same block), van service, morning and evening batches, only 40 seats per section, special concession for Govt. school.
Separate CBSE, BOSEM & COHSEM

HL-B/4879/25/9-22/10(Alt.)



RED RIBBON MANIPUR IDOL 2018

Calling Entries for Rock Band Audition on the theme **"Music Against AIDS - Creating HIV/AIDS Awareness through Music"**

**Terms & conditions for participants:**

1. Genre of the audition shall be Soft Rock.
2. The competition shall be among the bands and medium of language is in English.
3. **Auditions shall be district-wise as given below:**

| Name of district | Venue | Date of audition |
|---|---|---|
| Imphal West & Bishnupur | MDU Hall, Yaiskul Police Lane | 29th Oct, 2018 |
| Imphal East & Thoubal | -do- | 30th Oct, 2018 |
| Ukhrul & Chandel | -do- | 31st Oct, 2018 |
| Churachandpur, Tamenglong & Senapati | -do- | 2nd Nov, 2018 |

4. Only one best band will be selected from each district and will receive a cash prize of ₹ 10,000/- and will qualify in the Grand finale to be held in Imphal in 1st Week of Nov.
5. The winner of the Grand finale will automatically qualify to contest in the North-East Rock Competition to be held in Kohima in 2nd week of Nov, 2018.
6. Each band should perform two songs. One original song based on HIV/AIDS prevention or drug abuse and the 2nd is cover song.
7. All the participating bands have to submit the following documents: a) Name of Band b) Lyrics on HIV/AIDS or Drug Abuse c) Band profile with contact details.
8. Entries should be submitted to: **iecmanipursacs@gmail.com** or report in person to the audition centre on the date mentioned above.
9. **Prizes for Grand Finale: 1st prize: ₹ 50,000/- 2nd Prize: ₹ 30,000/- & 3rd Prize: ₹ 20,000/-**

*A public initiative by:*
**Manipur State AIDS Control Society**
New Secretariat, Western Block Annexe Building

MACS
NACO National AIDS Control Organisation
India's Voice against AIDS
Ministry of Health & Family Welfare, Government of India

HL-B/4919/17&20